## য়ুপিগী নুপীমচা ২না নেসনেল টোপ্পরশিং ওইরে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২২ (এজেন্সী):

পেপর মঙামক্তা মার্ক ১০০গী মনুং ১০০ ফঙবা ঙমখিবা উত্তর প্রদেশকী নুপীমচা অনীনা সিবিএসইনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্বকী একজামশিংদা অপুনবা মার্ক ৫০০ গী মনুংদা ৫০০ মক ফঙদুনা নেসনেল টোপ্পরশিং ওইখ্রে।

সিবিএসইগী ক্লাস টুয়েল্বকী একজামদা শীংথানিংঙাই ওইবা পার্ফোমেন্সকা লোয়ননা য়ুপিগী গুলান্সারদগী টানিয়া সিংহ অমসুং নোয়দাদগী য়ুবক্সি ভিজনা লৈবাক অসিগী টোপ্পরশিং ওইখিবনি।

ফজদবা কম্পিটিসনগী ফিভম লাকহন্দনবগীদমক্তা চহী অসিদা সিবিএসইনা ওফিসল ওইনা টোপ্পরশিংগী লিষ্ট লাউথোকখিদে। অদুম ওইনমক সিংহ অমসুং বিককী পার্ফোমেন্স মখোয় টোপ্পরশিংগী চার্টতা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈগনি হায়বগী চিংনবা অমত্তা লৈহনখিদে। ভিজ অসি অমিটি ইন্টরনেসনেল স্কুল, নোইদাগী মহৈরোয়নি অমসুং সিংহনা দিপিএস গুলান্সরগী মহৈরোয়নি।

## ঈদিনা নিরাব মোদিগী হোংকোংদা লৈবা ফার্মশিংগী লুপা ক্রোর ২৫৩গী ওইগদবা লিক কোলশিং বেঙ্ক দিপোজিৎশিং ফাজিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেট (ঈদি)না মনি লোন্দরিং প্রোব অমদা মীচেল ওইরবা দাইমন্দ মার্চেন্ট নিরাব মোদিগা মরী লৈনবা কম্পেনিশিংগী লুপা ক্রোর ২৫৩.৬২ গী ওইগদবা লিক কোন, মমল য়াম্লবা নুঙ মখলশিং অমসুং বেঙ্ক দিপোজিৎশিং ফাজিল্লে হায়না এজেন্সি অসিনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোরক্লি।

ঈদিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা মসিগা লোয়ননা কেস অদুদা এজেন্সি অসিনা ফাজিনবা বেঙ্ক দিপোজিৎশিং অমদি তোঙান তোঙানবা এসেট-শিংগী অপুনবা শেনফম অসি লুপা ক্রোর ২৬৫০.০৭ য়ৌরে।

মশাগী চহী ৫০ শুরবা নিরাব মোদি হৌজিক য়ুকেগী জেল অমদা লৈরিবনি। সিবিআইনসু থিজিল্লিবা য়ুএস দোল্লর বিলিয়ন অনী নমথাক তৌদুনা পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্কদগী লৌথোক্লবা হোৎনরম্বগী কেসকা মরী লৈননা ইন্দিয়াদা এক্সট্রাদিসন তৌনবা থাখিবা মহাক্কী প্লি য়ুকেগী কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রবনি।



ঈদিগী মতুং ইন্না পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্কতা নমথাক তৌদুনা লুপা ক্রোর ৬৪৯৮.২০ লৌথোক্লবা হোৎনরম্বগী কেসতা প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট, ২০২২ (পিএমএলএ) গী মখাদা ইসিআইআর রেকোর্দ তৌদুনা এজেন্সি অসিনা ইনভেষ্টিগেসন অমা চত্থবা হৌখি।

ঈদিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি, মদুদি পিএমএলএ ইনভেষ্টিগেসন অদুগী মনুংদা হোংকোংদা লৈবা নিরাব মোদি গ্রুপকী কম্পেনিশিংগী এসেট খরা প্রাইভেট বোল্টশিংদা থম্বা, লিক কোনশিং অমসুং অতাংবা নুঙশিংগী মওংদা লৈরে হায়বসি খঙবা ঙমখি।

মসিদা নত্তনা হোংকোংদা লৈবা একাউন্টশিংদসু বেঙ্ক বেলেন্সশিং ওইনা কম্পেনি অসিগী শেনফম কয়া লৈরে হায়বসিসু খঙবা ঙমখি। পিএমএলএগী সেক্সন মঙাগী মখাদা লুপা ক্রোর ২৫৩.৬২ ফাজিন্নবা পীখিবা ওর্দরগী মতুং ইন্না এসেটশিং অদু এজেন্সি অসিনা মতম খরগী ওইনা ফাজিল্লে। মমাঙদা ঈদিনা ইন্দিয়া অমসুং মপানদা লৈবা নিরাব মোদি অমসুং মহাক্কী এসোসিয়েটশিংগী লুপা ক্রোর ২৩৯৬.৪৫ কী ওইগদবা মুভেবল অমসুং ইম্মোভেবল এসেটশিং ফাজিনখ্রবনি।

মসিদা নত্তনা স্পিসল কোর্ট (এফপিওএ, মুম্বাই) না ফ্যুজিটিব ইকনোমিক ওফেন্দর্স এক্ট, ২০১৮ গী প্রোভিজনশিংগী মখাদা নিরাব মোদি অমসুং মহাক্কী এসোসিয়েটশিংগী লুপা ক্রোর ১৩৮৯ গী ওইগদবা মুভেবল অমসুং ইম্মোভেবল এসেটশিং মৎননবা খঙহনখ্রবনি।

মৎলবা শেনফমশিং অদু ভিক্তিম বেঙ্কশিংদা শীন্নবগী প্রোসেস হৌজিক চত্থরিবনি। এসেটশিং অদুগী মনুংদা খরদি হায়রিবা ভিক্তিম বেঙ্কশিংদা শিন্নখ্রবনি হায়না ঈদিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## আর বি আইনা কোওপরেটিব বেঙ্ক মরিদা রেষ্ট্রিক্টসশিং থমখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২২ (এজেন্সী):

রিজার্ব বেঙ্কনা লৈবাক অসিগী কো ওপরেটিব বেঙ্ক মরিদা ৱিদ্রোৱলশিং য়াওনা রেষ্ট্রিক্টসশিং থমখ্রে। বেঙ্কশিং অদুগী শেল থুমগী ফিভম শোকচিল্লক্লিবদু য়েংলগা অথিংবশিং অদু থমখিবনি।

আরবিআইনা সাইবাবা জনতা সহাকরি বেঙ্ক, ডি সুরি ফ্রেন্দস য়ুনিয়ন কো-ওপরেটিব বেঙ্ক লিমিটেদ, সুরি (ৱেষ্ট বেঙ্গল) অমসুং নেসনেল অর্বান কো ওপরেটিব বেঙ্ক লিমিটেদ, বাহরাইসতা রেষ্ট্রিক্টসশিং থমখি।

সাই বাবা জনতা সহাকরি বেঙ্ককী দিপোজিটর অমনা বেঙ্ক অসিদগী লুপা লিশিং ২০ দগী হেন্না ৱিদ্রো তৌবা য়ারোই। সুরি ফ্রেন্দস য়ুনিয়ন কো ওপরেটিব বেঙ্ককী ওইনদি দিপোজিটর অমনা লুপা লিশিং ৫০ দগী হেন্না ৱিদ্রো তৌবা য়ারোই। মান্নবা মওংদা নেসনেল অর্বান কো ওপরেটিব বেঙ্ককী ওইনদি ৱিদ্রোৱলগী য়ুনিট অসি কষ্টমর অমদা লুপা লিশিং ১০ দগী হেলহন্দনবা লেপখ্রে।

আরবিআইনা য়ুনাইটেদ ইন্দিয়া কো-ওপরেটিব বেঙ্ক লিমিটেদ, বিস্নোরদসু রেষ্ট্রিক্টস কয়া থমখ্রে। রেষ্ট্রিক্টসশিংদুগী মনুংদা কষ্টমরশিংনা ফন্দশিং ৱিদ্রো তৌবদা অথিংবা থম্বা য়াওরি। আরবিআইনা বেঙ্কিং রিগুলেসন এক্ট, ১৯৪৯ গী মখাদা কো ওপরেটিব বেঙ্ক মরি অসিদা ইস্যু তৌখিবা দিরেক্সনশিং মথংগী থা তরুক ফাওবা চৎনগনি হায়রি। রিজার্ব বেঙ্কনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটমেন্টশিং ইস্যু তৌদুনা কো ওপরেটিব বেঙ্কশিংদা রেষ্ট্রিক্টসশিং অদু থম্লে হায়না লাউথোকখি।

অতোপ্পা ষ্টেটমেন্ট অমদা আরবিআইনা হায়খি, মদুদি ফ্রোদস ক্লাসিফিকেসন অমদি কর্ম্মসিয়েল বেঙ্কশিং অমসুং অখন্নবা এফআই খরগী রিপোর্টিংগা মরী লৈনবা কাঙলোন খরা ভাইওলেট তৌবগীদমক্তা সুরিয়া ডে স্মোল ফাইনান্স বেঙ্কতসু লুপা লাউ ৫৭.৭৫ কী পেনালটি ইম্পোজ তৌখি হায়রি।

## চিত্রা রাম কৃষ্ণ নুমিৎ ১৪ নি জুদিসল কষ্টদিদা থম্নবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২২ (এজেন্সী):

কুমজা ২০১৯ অমসুং ২০১৭ গী মরক্তা নেসনেল ষ্টোক একচেঞ্জগী এমপ্লোয়িশিংগী ফোন টেপ্পিং তৌখিবগা মরী লৈনবা প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং কেস অমদা দিল্লিগী রাউস এভেন্যু কোর্টনা ইরাই নুমিত্তা হান্নগী এনএসইগী সিইও অমসুং এমদি চিত্র রাম কৃষ্ণ জুদিসল কষ্টদিদা নুমিৎ ১৪ নি থম্ননবা খঙহনখ্রে।

চিত্রা রাম কৃষ্ণ মহাক্কী কষ্টদিএল রিমান্দগী মতম লোইবদগী কোর্টতা পুথোকখি। মেটর অসিগা মরী লৈননা হান্নগী মুম্বাই পুলিসকী কম্মিস্নার সঞ্জয় পান্দেসু ফাদুনা থমখি। মহাক হৌজিক নুমিৎ মাপননিগী রিমান্দদা ঈদিগী কষ্টদিদা লৈরিবনি।

এজেন্সি অসিনা ফোঙদোকখিবদা ফোন টেপ্পিংদা মনি লোন্দরিংগী থৌওং য়াওখি। ফোন টেপ্পিংদা য়াওখিবা পেমেন্টশিং অদু ক্রাইমগী প্রোসিটশিংনি হায়না লৌবা য়াই। শেল কম্পেনি কয়া লৈ।

ওপরেসন অদু কনানা হেন্দল তৌখিবগে হায়বসিবু খঙদোক্লবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয়গী অপান্বনি।

ঈদিনা ক্লেম তৌরিবদি রাম কৃষ্ণবু মতেং পাঙননবগীদমক এমটিএনএল লাইন টেপ তৌবা য়ানবা পান্দেনা লুপা ক্রোর ৪.৫৪ ফঙখি।

পান্দেনা হায়খি, মদুদি মহাক্না ফোন লাইনশিং টেপ তৌখিবা ওইরবসু ইল্লিগেল ওইবা থবক তৌখিবদি লৈতে। টেপ্পিংগী ইক্বিপমেন্ট পুন্নমক এনএসইনা পীখিবা ঙাক্তনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা পান্দে অমসুং রাম কৃষ্ণগী মরক্তা কোর্টতা অমগা অমগা য়েৎনরকখিবনি। থেংখাং অনীদা ঈদিনা রাম কৃষ্ণবু এজেন্সি অসিগী কষ্টদিদা ইন্ট্রোগেসন চত্থবা লৈখ্রে।

## গুজরাটতা ডাক্তর লিশিং ৪০না ষ্ট্রাইক চত্থখ্রে

অহমেদবাদ, জুলাই ২২ (এজেন্সী):

আইসিয়ু পুন্নমক গ্রাউন্দ ফ্লোরদা হোংননবা খঙহল্লিবা অনৌবা দিরেক্তিব অমগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরদুনা গুজরাটকী প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী ডাক্তর লিশিং ৪০ রোম্না ইরাই নুমিত্তা ষ্ট্রাইক চত্থখিবগা লোয়ননা সর্জরি লিশিং ৩০ গী মতম য়েথোকখ্রে হায়রি।

ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসি-এসনগী গুজরাট ব্রাঞ্চনা কৌখিবা খোঙজং অদুগী শরুক অমা ওইনা ওপিদি অমসুং ইমর্জেন্সি সার্ভিসশিং লেপখি। অদুম ওইনমক ইন পেসেন্টশিংগী ট্রিটমেন্টদদি অকায়বা থোকখিদে। ডাক্তরশিং অমসুং অহমেদবাদ ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ফায়র দিপার্টমেন্টগী মরক্তা লৈরিবা য়েৎনবগী ৱাফমদি প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা দিপার্টমেন্ট অসিনা নোটিস অমা ইস্যু তৌদুনা মখোয়দা গুজরাট হায় কোর্টকী ওরেল ওর্দরগী মতুং ইন্না অনৌবা রুল খরা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা খঙহনখিবসিনি।

HL-P/32679/9-23

### শেংদোকচবা

ঐ সেঞ্জম থোইথোইবা মীতৈ চেন্নেল মমিংনা দিএসপি থোইথোই ঐনা ইন্টরভিয়ু লৌবদা পনহৈদেবা ময়াম খুন্নাইদা চান চুনবা ওপন ওইখিবদু পার্টি আর পি এফ অমদি লৈবাক মীয়ামদা লাঞ্জরে অমুক হন্না তৌজররোই হায়না হায়জরি।

শেংদোকচরিবা : সেঞ্জম থোইথোইবা মীতৈ

HL-P/3495/23

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD
MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR, SYLHET, & RAJSHAHI
MBBS in INDIA, KYRGYZSTAN, RUSSIA, KAZAKH & PHILIPPINES
We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY
1st PAYMENT 5 LAKH TOTAL PACKAGE 20L
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY
B.Sc./M.Sc.
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm., B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
→ at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI
BDS in INDIA (no donation) Top Colleges Recognised by DCI
BAMS (AYURVEDIC) BHMS (HOMEOPATHIC) (FULL PACKAGE STARTS FROM 6 LACS)
Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Govindajee Temple, Imphal East
7005683347 9856167106
THOUBAL BRANCH ADDRESS :
Thoubal Wangmataba Sorok Makha Near Manisang Primary School 9089049622
HL-B/7695/19/6-16/8 Alt

SLOPELAND PUBLIC SCHOOL
DESTINATION SUCCESS
Admission Fee free for first 100 students of XI Science Academic Courses with NEET(UG) & JEE coaching facilities securing 70% and above .
FREE ADMISSION for Class XI Science, Arts & Commerce Stream
2022-23 ADMISSION OPEN
+91-9615965922
+91-9615520109
+91-9856835024
Salt Village, Khongjom, Manipur-795148
slopelandpublicschool@yahoo.co.in
www.slopelandpublicschool.com

Resonance®
Educating for better tomorrow
1 Year Regular Course for JEE (Main+Advance) Target-2023
* 6 hours class daily
* Test series from Resonance Kota
* Classes from best faculties from Resonance Kota.
STUDY MATERIALS FROM RESONANCE KOTA RAJASTHAN
Admission through a Scholarship Test
91-100% score - Free Admission
81 - 90% score - 50% Concession
ENROLL TODAY!
Office Hours - 10:00 am to 7:00 pm.
Nachom Edu Foundation
3rd Floor, L.K. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
For more details
9402979552 / 8794961535
HL-B/7717/ 5,8,11,14,17,20,23,26,29,01Aug

AFFILIATED TO COUNCIL OF HIGHER SECONDARY SCHOOL, MANIPUR
ACI SCHOOL
A Co-educational Higher Secondary School
Kwakeithel Akham Leikai, Imphal
A school of Advanced Coaching Institute & Under the guidance of Human Resource Centre & Research Institute
ADMISSION OPEN FOR XI SCIENCE & XI ARTS
SPECIAL FACULTY MEMBERS
1. Physics – Dr. Devadattamani / Dr. Joyshankar/ Dr. Bidyakanta (IIT)
2. Chemistry - R.K. Bahadur / Manglembi NET (PhD)
3. Maths – Dr. Sanjit / Kiranmala (Gold medalist)
4. Zoology – Dr. Ranjita/ Kh. Seityabati
5. Botany – Dr. Bijen / Dr. Thajamanbi
Supported by special faculty members of ACI
FEATURES
1. For Position holders in the HSLC exam Free ship + Book Grant + Scholarship
2. Students who scores 85% & above Admission free + Half tuition free + scholarship
3. Students scores 80% and below 85% Admission free+Scholarship+Book Grant
4. Students scores 75% and below 80% Half Admission free + Book Grant
5. Students score 70% and below 75% Half Admission
6. Students score 60% and below 70% Direct Admission to some limit
World class standard classroom with Smart Class
Contact : 9862992105
www.advancecoachinginstitute.com
Selected through personal interview:
(1). 1st to 20th position – Free Admission Fee
(2). 20 – 100 positions - Free uniform
(3). 100 – 300 position - Book Grant
Form available: Office of Advanced Coaching Institute (offline)
HL-B/7754/ 19 to 28 July

ADVANCED COACHING INSTITUTE (HURRY! LIMITED SEAT)
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN IMPHAL, MANIPUR
FOUNDATION COURSE FOR NEET /JEE
2YEARS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XI APPEARING STUDENTS
(SURE TARGET TO FIRST ATTEMPT) FREESHIP FOR POSITION HOLDERS IN HSLC
1YEAR FOUNDATION COURSE FOR XII APPEARING STUDENTS
ONCE U ARE ADMITTED WITH DETERMINATION WE WILL SUPPORT U UNTIL SELLECTION WITHOUT ANY FEE
SPECIAL CONCESSION FOR THOSE STUDENTS WHO R FINALCIAL POOR AND MERITORIOUS
7 MONTHS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XII PASSED STUDENTS
WORLD CLASS (A.C. ROOM) SMART CLASS WI. FI CAMPUS
1. SPECIAL SUNDAY TEST SERIES & MONTHLY MOCK TEST
2. STUDY MATERIALS BASED ON NCERT & PREVIOUS YEAR QUESTION AND ANSWER
3. Well Experienced faculties
4. separate boys & girls hostel
MEDICAL AND ENGINEERING CLASS WILL BE STARTED FROM 15TH & 18TH JUly
For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advanceecoachinginstitute
LIMITED SEAT VAN SERVICE
BATCHES : 5 –9AM 6--9AM 12—3PM 4.30– 7.50pm
For Quary : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH
HL-B/7754/ 19 to 28 July

ADVANCED COACHING INSTITUTE
OUR POSITION HOLDERS IN BOSEM, CBSE AND COHSEM EXAM
COUNT IF YOU CAN .........
ARTS
3RD Post '20 PH. FIROJH. 7TH Post '20 TH. OBINKUMAR 8th Post.'20 N. PARITON 8th Post.'20 10th Post.'20 N. PARIHAN 5th Post '19 S. SANATHOI 5TH Post '19 8th Post. '19 SHARMELI 10th Post. '19 H. BERON 19th Post ELIA NEPRAM 19th Post NEVITA 7th Post NINGTHEM 2nd Post HSLC ASEM
SCIENC
4TH Post '19 ROBINSON 6TH Post '19 SHAH MINHAZ 8th Post. ANJU 9th Post. ANAND 16th Post. THOUNGAMBA 7th Post'19 SAMANANDA 8TH Post'19 SANATUM 15th Post. ADHITYA 22th Post. REHAN 23th Post ROSHAN 23TH Post RICKY 24th P DIANA LAMJINGBA
STATE BOARD /COUNCIL (Sc/Arts/Comm)
CENTRAL BOARD (CBSE) Sc/Arts/Com
CBSE X EXAM S. SNEHA 95.5%
FOUNDATION COURSE X,xi & XII
3rd Batch FROM 7th,11th,15th july
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR VI TO IX
3rd Batch FROM7th,11th,15th july
CBSE FOUNDATION COURS X,xi &XII
3rd Batch FROM 7th,11th,15th july
CBSE FOUNDATION COURSE FOR VI TO IX
3rd Batch FROM 7th,11th,15th july
MANY MORE
SPECIAL CBSE VACCATION COURSE
PRINTED STUDY MATERIALS ** SUNDAY MOCK TEST SERIES
SPECIAL CONCESSION for Govt. school & 85% & Above
For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website : www.advancecoachinginstitute
Hurry ! Hurry !! Limited Seat
SEPARATE HOSTEL FOR BOYS & GIRLS
Batches for Kwakeithel (VAN SERVICES)
4 to 7.20 pm 4.15– 7.40pm (class ix to xii
2 pm to 4 pm (class vi to viii)
BATCHES FOR NAGAMAPAL (VAN SERVICES)
4.30-6.30AM(FOR COMM & ARTS)
3.40– 7.00PM (COMM &ARTS) &
4.30 TO7.20 (VI TO VIII) 4.30 TO 7.50 (XI/XII SC.)
For Quary : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI or KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI
HL-B/7754/ 19 to 28 July